## ‘আই এল পিগী খন্নরগা থবক্তা ওন্থোকউ’

ইম্ফাল, জুলাই ১১(ঐচ এন এস)ঃ
মণিপুর লৈঙাক্কী ওইবা মীফম ঙসিদগী হৌখিবগা লোয়ননা লমদমসিগী লৈঙাক্তা শরুক য়ারিবা ঈকায় খুম্মজরিবশিং অমসুং ওপোজিসন্দা লৈরিবা মীয়ামগী মীহুৎ পুন্নমক্না মাঙদা লৈরিবা মণিপুরগী য়েলহৌমীগী ওইবা লাইবক লেপকদৌরিবা আই এল পি সিষ্টেম খন্নবীদুনা থবক্তা ওন্থোকপীয়ু হায়না জোইন্ট কম্মিটি ওন ইন্নর লাইন পর্মিট সিষ্টেম ষ্টুদেন্টস ৰিংনা ফোঙদোরক্লি।

ষ্টুদেন্টস ৰিং অসিগী মীদিয়া কো-ওর্দিন্টের অনিল খুমননা প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা মখা তানা হায়, পোলিটিকেল পার্টি পুন্নমকনা ভোটকী মতমদা পার্টিগী মেনিফেষ্টোদা হাপখিবা অদু থবক্তা ওন্থোকপীয়ু।

অমরোমদা ঙসি জে সি আই এল পি এস ষ্টুদেন্টস ৰিংনা চঙশিল্লক্লিবা খোঙজং অসিগী শরুক অমা ওইনা কম্প্রিহেনসিব, জোনষ্টোন হায়র সেকেন্দরী স্কুল, ঐচ আর দি একাদমী অমসুং মেম হায়র সেকেন্দরী স্কুলদা হান্নগুম এৱেয়রনেস প্রোগ্রাম পাঙথোক্তুনা অমত্তা ওইনা খোঙজং চঙশিনমিন্নবা হায়না য়ানখ্রে। লোয়ননা স্কুলগী ওজাশিংনা পুক্লিং থৌগৎপীরকপবু ষ্টুদেন্টস ৰিং অসিনা থাগৎপা ফোঙদোকচরি হায়নসু চেরোলসিদা হায়রি।

## ‘খুদক্তা লৌবুক্তা ঈশিং ফংহল্লু’

ইম্ফাল, জুলাই ১১(ঐচ এন এস)ঃ
হৌজিক ইঙেন থাখাই ফাওবদা চহীগী চুগদবা নোংগী চাং য়ৌনা চুদবদগী মণিপুরগী অপুনবা লৌফমগী তঙ্খাই অমদি লৌ পানবা য়াদদুনা ঈকংগী অৱাবা মায়োক্লরে হায়না সি পি আই, মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিলগী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি এম থোইরেননা প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, ঙসি ফমখিবা সি পি আইগী ষ্টেট সেক্রেটরিএট মীটিংনা দিমান্দ তৌরিবদি অহানবদা হৌজিক চথরিবা এসেম্বলি মীফমদা লৌমীশিংনা ঈশিং ফংদবদগী অৱাবা মায়োক্লরিবা অসি কোক্লবা খন্নবীয়ু। জুলাই থাগী মনুংদা লৌ পানবা য়ানবা লৈঙাক্কী এম আই দিপার্টমেন্টকী মখাদা লৈরিবা পম্প হাউসশিংদা মথৌ তাবা মচাক-মথুম পীদুনা লৌবুকশিংদা ঈশিং ফংহল্লু।

অনীশুবদা লোক্তাক এল এল আইগী ইম্ফাল অমসুং মোইরাং লো-লেভেল কেনেলশিং অনীমক্তা ঈশিং থাদুনা লৌবুকশিংদা ঈশিং ফংহল্লু, অহুমশুবদা খুগা কেনেল, ইম্ফাল বারাজ, কৈথেলমানবী বারাজ অমসুং ইথাই বারাজশিং ঈশিং থাদুনা লৌবুকশিংদা ঈশিং ফংহল্লু। অহুমশুবনা লৌ পানবা য়াদ্রবা লৌফমশিং অমসুং পাল্লবসু মপুং ফানা মহৈ চাররোইদবা লৌমীশিংগী ক্রোপ ইন্সুরেন্স লৈঙাক্লা য়াওবীদুনা লৌমীশিংগী পুন্সি কল্লু হায়বনি হায়রি।

## ফ্রী হেল্‌থ কেম্প পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১১ (ঐচ এন এস)ঃ
রোটরি ক্লব ওফ পোলো সিটি ইম্ফালনা ফোর্টিস হোস্পিটালস, ন্যু দিলিগা খুৎশম্নরগা শীন্দুনা ফ্রী হেল্‌থ কেম্প এন্দ কন্সলটেসন (নেফ্রোলোজি/কিদনি)গী থৌরম অমা ইম্ফালগী চীংমৈরোংদা লৈবা সিটি হোস্পিটাল এন্দ রিছার্চ সেন্টরদা পাঙথোকখ্রে হায়রি।

রোটরি ক্লব ওফ পোলো সিটি ইম্ফালগী প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা মখা তানা হায়, মণিপুরদা কিদনিগা মরী লৈননা নাবগী চাং হেনগৎলক্লিবা অমসুং মীচম মীয়াম্না অচৌবা সিটিদা চেক-অপ অমদি কন্সলটেসন তৌবদা খুদোংচাদবা মায়োক্লরিবা অসিগী য়েংলগা কেম্প অসি পাঙথোকখিবনি।

পাঙথোকখিবা কেম্প অদুদা ফোর্টিস হোস্পিটালস, ন্যু দিলিগী নেফ্রোলোজি এন্দ রিনাল ট্রান্সপ্লান্ট মেদিসিনগী দিরেক্টর ডো. (প্রোফ.) সঞ্জীব গুলাতি রিসোর্স পার্সন ওইখি। কেম্প অদুনা কিদনিগা মরী লৈননা হকচাং নুংঙাইতবা অনাবা মীওই ৩০রোমদা খুদোংচাবা ফংহনখি হায়রি।

রোটরি ক্লব ওফ পোলো সিটি ইম্ফালগী মন্থলি কম্যুনিটি সর্ভিস প্রোজেক্টকী শরুক অমা ওইনা ঙসিগী হেল্‌থ কেম্প অদু পাঙথোকখিবনি। ফোর্টিস হোস্পিটালসকী এক্সপার্ট টিম অমনা সিটি হোস্পিটালদা নী রিপ্লেস-মেন্ট সর্জরি তৌগদবা ওর্থোপেদিক্কী ফ্রী কেম্প অমসু লাক্লিবা ওগষ্ট থাদা পাঙথোক্লবসু থৌরাং তৌরি হায়রি।

## পুক্লিং চিংশিল্লক্লি

ইম্ফাল, জুলাই ১১(ঐচ এন এস)ঃ
লুৱাংশংবমদা লৈবা লিবরেল কোলেজদা মণিপুরগী এম দি এসনা মিনিষ্ট্রি ওফ ট্রাইবেল ৱেলফেয়রগী শেন্থং মখাদা শাবা হৌগৎপিরম্লবা ট্রাইবেল ৱিমেন্স হোষ্টেল অসি থা ৭-৮ রোম থবক শুবা লেপ্পুনা লৈরে। মরম অদুনা অথুবা মতমদা হোষ্টেল অসি শাবা লোইশিনবীনবা এম দি এসকী ওফিসলশিংগী মীৎয়েং চিংশিঞ্জরি হায়না কোলেজ অসিগী ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নগী ফাইনান্স সেক্রেটরি মোংজম রামেশচন্দ্রনা প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

# লৈঙাক্লা আর টি ঈ চৎনদবা স্কুলশিংগী রিকগনিসন ককফম থোক্লে ঃ ঐচ আর আই

ইম্ফাল, জুলাই ১১ (ঐচ এন এস)ঃ
স্কুল অমগী কয়াৎ শুদবা, রাইট টু এদ্যুকেসন (আর টি ঈ) এক্ট চৎনদবা স্কুলশিংগী রিকগনিসনশিং মণিপুর লৈঙাক্লা খুদক্তা ককফম থোক্লে হায়না হায়না হ্যুমেন রাইটস ইনিসিএটিব (ঐচ আর আই)না ফোঙদোরক্লি।

ঐচ আর আইগী এদমিনিষ্ট্রেটর মনোজ থোকচোমনা প্রেস্তা থোকপা ৱারোল অমদা মখা তানা হায়, গভর্নমেন্টনা লীঙবা স্কুল অয়াম্বা ৱায়োং চাদে হায়না লনাই স্কুল লীঙখৎতুনা তুংগী য়ুম্বী ওইরকদবা অঙাংশিংবু অফবা এদ্যুকেসন পীবীরিবা স্কুলশিং অমসুং এদ্যুকেসনবু ইন্দষ্ট্রি মওংদা শেন্দান লন্বী ওইরিবা লনাই স্কুলশিং লোয়ননা গভর্নমেন্টকী স্কুলশিংনা হৌজিক্কী মতমদা অঙাংগী হক অমসুং রাইট টু এদ্যুকেসনগী ৱাহন্থোক মুন্না খঙবীবা মতম ওইরে।

য়ু এননা মালেম পুম্বদা চৎনবা কুমজা ১৯৮৯দা শেমখিবা কনভেন্সন ওন দ রাইটস ওফ দ চাইল্ড হায়বা অসি ইন্দিয়া গভর্নমেন্ট খুৎয়েক পীদুনা লৈপাকসিদা চৎনরে হায়খ্রবনি। চৎন-কাঙলোন অসিগী মখাদা ইন্দিয়া গভর্নমেন্টনা অঙাংশিংগী হকশিং ঙাক শেন্নবা শেমখ্রবা লো কয়া হায়বদি জুবেনাইল জষ্টিস (ক্যার এন্দ প্রোটেক্সন) এক্ট, ২০০, চাইল্ড লেবর প্রোহিবিসন এক্ট অমসুং রাইট টু ফ্রী এন্দ কম্পলসরি এদ্যুকেসন এক্ট, ২০০৯ অসি অঙাংশিং শাগোন্নরিবা ইনষ্টিট্যুসনশিংনা মমুৎ তানা হেন্না খঙফম থোকই।

করিগুম্বা লনাই স্কুল কাঙবুনা আর টি ঈ চৎনবা পামদ্রগদি এক্ট অসিবু শিংনদুনা ৱায়েলশঙদা লো নৎত্রগা এক্ট অসি চৎন্দনবা হোৎনফম থোকই। মসিগী মহুৎতা পাউ-চেদা ঙাইহাক লৈতনা ফোঙদোক্তুনা অঙাংগী হক্তা মরিং মরাংবা থোকহনবা চুমলোই। অঙাংগী হকশিং য়াওনা মীওইবগী হক খোঙ্গাওনরকপা ৱাথোক খুদিংদা হ্যুমেন রাইটস দিফেন্দরশিংনা লাউরকপা হায়বসি মশানা তাবনি হায়রি।

স্কুল ওথোরিটিনা মহৈরোয় অমবু ৱারক ৱাতেন্বদা অঙাংগী হক শোকই হায়না লাউরকপদা ৱাফম অসি ইমুং মনুংনা মচা ৱারকপদা লৈকায়না খুৎ থিংজিনবগী মওংগা খুদম তৌরকপা ৱাপা চাদে। মহৈরোয় অমবু ৱারক ৱাতেন্বদা অঙাংগী হক অমসুং আর টি ঈগী শীঙ্ককশিংগা তাইয়োন্নবা খক য়ারোই। মহৈরোয় অমবু ৱারকপদা ফু-চৈবা নৎত্রগা লাইরিক তমহনবা লেপহনবা তৌরোইদবনি। মসিগী মহুৎতা পান্থৈশিং হায়বদি কাউন্সে-লিংগুম্বা বিহেবিয়র থেরাপিনচিংবা মখল মখাগী পান্থৈশিং শীজিন্নগদবনি। মসিগীদমক চাইল্ড সাইকোলোজিষ্ট-শিংগী মতেং লৌবা কানগনি হায়রি।

জুবেনাইল জষ্টিস এক্টকী মখাদা মরাল লৈরে হায়দুনা জুবেনাইল হোমদা থম্বা তারবসু অঙাং অদুগী মহৈ-মশিং তম্বদা অকায়বা থোকন্দবা শীনগদবনি হায়রিবনি। অমরোমদা মমা-মপাসিংনা মচাশিংবু অফবা এদ্যুকেসন পান্নদগী মচাশিংবু প্রাইভেটতা শেল য়াম্না তিংদুনা এদমিসন তৌনরি অদুবু স্কুল অয়াম্বদা ক্লাস অমদা মহৈরোয় ৭০-৮০ হোইজিল্লগা অঙাংশিংবু লাইরিক তম্বীবা য়াওরি হায়রিবা অসিসু আর টি ঈ এক্টনা পীরিবা প্রোভিজনগী মায়োক্তনি হায়রি।

মীওইবগী হক্কী মীৎয়েংদগীদি আর্মি অমসুং পুলিসনা মরম কয়া পীদুনসু মখোয়না হাৎপিখ্রবা মীওই কয়াগী অচুম্বা ৱায়েল ফংহনবা অমসুং থৌদোকশিং অসি য়ানিংদে হায়দুনা ৱায়েনশঙদা ৱাকৎনরি। অসুম্না চীঞ্জাক্কী, অনা লায়েংগী, এম জি এন আর ঈ জি এস অমসুং মহৈ মশিং তম্বগী হক্তা শীংনরক্লবদি মদুশু মীওইবগী হক খোঙ্গাওনবনি হায়না লৌগনি। অসিগুম্বা থৌদোক ৱাথোক্তা চেন্নবশিংগী মায়োক্তা হ্যুমেন রাইটস দিফেন্দরশিংনা য়ানিংদবা ফোঙদোরকপা হায়বা অসি আর্মি অমসুং পুলিসকী মায়োক্তা লাউবদগী করিসু হন্থারোই। তুংলমচৎতা মহৈরোয় অমগী য়াইফনবনি হায়দুনা চৈরাক পীনিংলবসু মমা-মপাদা মাঙজৌননা ঈ-পাউপীগদবনি লোয়ননা চহী ১৪গী মনুংদা লৈবা অঙাংশিংগী মহৈ-মশিং তম্বদা অপনবা পীগদবা থৌওং অমত্তা স্কুল ওথোরিটিশিংনা চথবীরোইদবনি হায়রি।

মণিপুরদা আর টি ঈ চৎনহন্নবা হোৎনরিবা এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টনা এক্ট অসি চৎনবদা শেনবুন খক শেন্নদুনা লৈথোকপগী মহুৎতা ঈ-পাউ হেক ফংবগা স্কুলশিংদা চৎতুনা য়েংশিনবা মথৌ তাই। লৈপাক মীয়াম্না কান্নবা ফংগদবা লো নৎত্রগা এক্টশিং লৈঙাক্লা থৌশাদবগী থৌওংশিং খুদকক্তা লেপকদবনি। লনাই স্কুলশিংগী রিকগনিসনশিং অমুক হন্না য়েংশিনগদবনি। স্কুল অমগী কয়াৎ শুদবা, আর টি ঈ চৎনদবা স্কুলশিংগী রিকগনিসনশিং খুদক্তা ককফম থোক্লে। মণিপুরদা লো চৎহন্দবগী থৌওংশিং অসি অসুম চৎহনবা চুমদে। আর টি ঈ চৎনবরা য়েংশিন্নবা লৈরিবা মণিপুর কম্মিসন ফোর প্রোটেক্সন ওফ চাইল্ড রাইটস মথৌ তৌহন্দ্রবা নৎত্রগা থবক হৈতবা মীওইশিং হাপচিন্দুনা মমিংতগী থমগদবগী শরুক কম্মিসন অসি লৈতবনা ফরে হায়রি।

মীওইবগী হকশিং য়োকখৎনবা অমসুং ঙাক শেন্নবা হোৎনবদা হ্যুমেন রাইটস দিফেন্দরশিংনা খুদোংথিবা কয়া মায়োক্লরবসু হনবা লৈতনা থেংনখিগনি অমসুং মসিদা নীংহন্নবা লৈরোই অমদি মীয়ামগীদমক অখাকপা লৈতনা হোৎনখিগনি হায়রি।




*চরাংপাৎতা লিগেল এৱেয়রনেস প্রোগ্রাম পাঙথোকপা*

## ‘লৈঙাক্কী অয়াবা য়াওদনা লৌফমদা শাজিল্লিবশিং লেপহন্নবা লীগেল নোটিস থাদুনা থিংবীয়ু’

ইম্ফাল, জুলাই ১১(ঐচ এন এস)ঃ
মীয়ামগী ঈহৌ অমসুং মীয়ামগী খোল্লাউ ঙাইহাক ঙাইহাক্কী ওইনা নাথৈনবা হোৎনবীগনু। লৈঙাক্কী অয়াবা য়াওদনা লৌফমদা ঙসি লেপ্পুনা শেমজিন-শাজিল্লিবা ময়াম অসি লেপহন্নবা মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টকী ওথোরিটিশিংনা লীগেল নোটিস থাদুনা থিংবীয়ু নৎত্রবদি শিরবা হিংগৎলক্লোইদবা মীদা পোষ্ট মোটেম তৌবা ওইনা থোক্কনি হায়না কঞ্জার্ভেসন ওফ পেন্দিলেন্দ এন্দ নেচরেল রিছোর্সেস প্রোটেক্সন কম্মিটিনা ফোঙদোরক্লি।

কম্মিটি অসিগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি কোন্থৌজম রোবিন্দ্রোনা প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা মখা তানা হায়, ঙসিদি ইন্দিয়ন কনষ্টিট্যুসন্না লৈপাক অসিগী মনুংদা লৈবা ইন্দিয়ন সিটিজনশিংনা ইন্দিয়াগী মফম অমদা খুন্দা লৈতাদুনা লৈবা য়াই হায়বা অদুগী খুদোংচাবা লৌদুনা পীকখ্রবা মণিপুরগী শরুক তরা থোকপগী শরুক অমা ওইরিবা তম্পাক্কী লমদমদা খুন্দা লৈতানরক্লি। মসিদা নৎতনা তুংগী খন্দবা লৈঙাক মপুশিংনা মশাখক্কী ঙৈহাক্কী শেন্দোং ফংনবা লৈঙাক্লা চাউখৎ খোঙথাং খুদিংদা তম্পাক্কী লমদমদা পায়খৎলি।

ব্যুরোক্রেট ওফিসরশিংনা অরানবা মওংদা তানখিবা শেনফমসিংনা বিজিনেস ওইনা মখল মখা কয়াগী শেন্দাল লন্বীদা মমল য়াম্লবা লম শীজিন্নরি। অরানবা পাম্বৈনা শেল তানবা কাংবুশিংসু মীওইবা খুন্নাইগী ময়োক্তা লম কনশিল্লি। হায়রিবা খুদিংমকশিং অসি লমদম অসিগী মীয়ামগী পুকচাক থাক্লিবা লৌবুকশিংনি। নোংমগী চঙদবা য়াদ্রবা চেঙ-চরা অমা ফংনবা হোৎনরিবা লাইরবদগী লাইরবা মীওই কয়াগী হিংফম থিরিবা অমসুং খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলবু মশক থোকহল্লিবা পোথোক পুথোক্লিবা লৌফমশিংদনি হায়রি।

হৌখিবা চহী কয়া অসি ঐখোয়গী লৈঙাক্লোয়শিং অসিনা ঐখোয় পুন্নমক্কী থৱায় ওইরিবা ইরমদমগী পোথোক পুথোক্লিবা লৈহাও লৈরবা লৌফমশিং অসিবু মীরাইদুনা থন্বীরি। ঙসিদি মতমগী মতুং ইন্না মীশিং য়ামখৎলকপা মপান্দগী চঙলকপা অমসুং লমদমসিদা খুন্দা লৈতামিন্নরকপা ইচিল ইনাও কয়াসু প্রাইভেটাইজেসনগী কলচর অসি পান্নরকপদগী তম্পাক্তা অয়াম্বা খুন্দা লৈতাদুনা মশা মশাগী লেন্দ ওনর ওইনবা হোৎনরি। মসিনা মরম ওইরগা মণিপুরগী চীংগী লমদা স্কৱার কি মি অমদা মীশিং ৬০-৭০ লৈবদা তম্পাক্কী লমদমদা স্কৱার কি মি অমদা মীশিং ৭৫০ মুক তারি।

হায়রিবা মীয়াম্না পাম্নবা, মীশিং হেন্না তারিবা তম্পাক্কী শরুক অসিদা মণিপুর মীয়ামগী চানবা পোথোক পুথোক্লিবা লৌ উবা য়াবা লৌফম অসি ২০১০-১১গী রিপোর্ট মতুং ইন্না শুপ্নতগী ৪.৬ খক্তনি। চহী খরা অসিদা লমদম অসিগী মীয়ামগী মীৎমাঙদা লৈহাও লৈরবা লৌফমশিং অসিদা অথিংবা য়াওদনা শাগৎলক্লিবা হোস্পিটাল, স্কুল, ব্রিক ফিল্ড, ষ্টোন ক্রশর লৌফমদা চেকপল খাজিন্দুনা থল্লিবা মফমশিং, পোলিটিকেল গেন খরগী মরম চাদনা লৌয়াইদা লন্বী শেমজিনবা, পোলিসি অমদা চঙশিল্লক্লিবা খুনপাক-খুনপাক তাবগী চৎনবী, চর্চশিং শাজিল্লকপা থৌওংশিং অসিনা ঐখোয়গী পোথোক পুথোকপগী চাং হন্থহল্লি। অমরোমদা ঐখোয়গী লৈঙাক্লোয়শিংনা লৌফমগী মরু ওইবা খঙদনা মালেম অমসুং ইন্দিয়াগী লৌফম কনগদবনি হায়বা এক্ট, রুল, পোলিসি কয়াগী ময়োক্তা পায়খৎলিবা থবকশিং অসিনা লমদমসিগী মীয়াম্না চীঞ্জাক্তা মীপাল তাংনবা অমসুং লৌমীশিংগী হক মৎপগী মরম ওইরি হায়রি।

অদুবু ঙসিগী লৈঙাক্লোয়শিং মীয়ামগী খোল্লাউ অমসুং অপাম্বা খঙবীদুনা এম এল আর এন্দ এল আর, ১৯৬০গী সেক্সন ২০বু হৌখিবা ১০শুবা এসেম্বলিগী ৭শুবা সেসন্দা এম এল আর এন্দ এল আর (৬শুবা এমেন্দমেন্দ)বিল, ২০১৪ (মণিপুর এক্ট নম্বর থ্রী ওফ ২০১৪) পাস তৌখিবা লোয়ননা কুমজা অসিগী হৌখিবা মার্চ ২৫দা গভর্নরগী অয়াবা ফংদুনা মণিপুরগী গেজেটতা হাপখিবা অসিমক অফবা খোঙথাং অমনি হায়রি।

মীয়ামগী খোল্লাউ, মীয়ামগী অপাম্বা, মণিপুরগী লৌফম কনবা অমসুং মণিপুর কনবা হায়বা অসি ঙসিগী লৈঙাক্লোয়শিংগীসু অচেৎপা ফীরেপ অমা মীদিয়াগী খুথাংদা ফোঙদোকপিরিবা অসি থবক ওইনা পাঙথোকপা য়ানবা চথুরিবা এসেম্বলি সেসন অসিদা গভর্নমেন্টকী ওইবা বিল অমা পুথোকপীয়ু হায়রি।

## থাগৎপা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, জুলাই ১১(ঐচ এন এস)ঃ
সুপ্রিম কোর্টনা পীরকপা দিরেক্সনবু ঈকায় খুম্নবীদুনা মণিপুরগী চীফ সেক্রেটরিনা ষ্ট্রিট ভেন্দর মণিপুরগীদমক ৱাফম খরা হকচিন্না লৌদুনা থবক পায়খৎনবা থৌরাং তৌবীরম্ববু নেসনেল হোকরস ফেদরেসন মণিপুর অমদি রোদ সাইদ ভেন্দর ৱেলফ্যের এসোসিএসনগী মায়কৈদগী হায়নিংঙাই লৈতনা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

চীফ সেক্রেটরিনা সুপ্রিম কোর্টতা পীরম্বা কাউন্টর এফিদেবিট ওন বিহাল্ফ ওফ দ রেস্পোন্দেন্ট ষ্টেট ওফ মণিপুরগী মতাংদা ইরাবৎ ভৱন ইম্ফালদা প্রেস মীট অমা পাঙথোকখি। হায়রিবা প্রেস মীট অদুনা ষ্ট্রিট ভেন্দরগী লুচিংবীশিং শরুক য়াদুনা অথুবা মতমদা কেবিনেট দিসিজন লৌদুনা টাউন ভেন্দিং কম্মিটি শেম্মু, ষ্ট্রিট ভেন্দরশিংগী সর্ভে অমসুং রেজিষ্ট্রেসন খুদক্তা পাঙথোকউ, ষ্ট্রিট ভেন্দরশিংদা লোকেল পুলিসশিংনা হরাসমেন্ট তৌবা খুদক্তা গভর্নমেন্টনা লেপহনবীনবা আপিলসু তৌখি হায়রি।

মতুংদা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলগী ইমাশিংদা ষ্ট্রিট ভেন্দরশিংগা খৎন-চৈনবা থোক্তুনা অশোক-অপন য়াওনবা খুদিংমক হন্দোক্নদুনা ষ্ট্রিট ভেন্দর খুদিংমক মহৌশাগুম পোৎ য়োন্নবা রোদ সাইদ ভেন্দর’স ৱেলফ্যের এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট ক্ষেত্রি তামানা থোকপা চেরোল অমনা আপিল তৌরক্লি।

## কেটরেক্ট ওপরেসন

ইম্ফাল, জুলাই ১১(ঐচ এন এস)ঃ
শীজ হোস্পিটাল এন্দ রিসার্চ ইন্সটিট্যুট ইম্ফালনা শিন্দুনা লোক্তাক পৱার ষ্টেসনদা পাঙথোকখিবা কেটরেক্ট ওপরেসনদা মীওই ২০ লোম ওপরেসন তৌখ্রে। লোয়ননা মীওই কয়া অমনা মীৎকী লায়না নারম্বদগী লায়েংবগা লোয়ননা হীদাক লাংথক কয়া লেম্না পীখ্রে হায়না এন ঐচ পি সিনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

## লৈখিদ্রবী মনোরমাগী অচুম্বা ৱায়েল ফংহনবা ঙমদ্রি

ইম্ফাল, জুলাই ১১(ঐচ এন এস)ঃ
ইম্ফাল ইষ্টকী মনুং চনবা বামোন কম্পুদগী থাংজম চনু মনোরমাবু আর্মদ ফোর্সেস স্পেসল পৱার এক্ট (অফস্পা), ১৯৫৮কী মরুমদা ময়াং লাম্নীশিংনা নুপী ওইবীগী ঈকায় খুম্নবা লৈখা তাহল্লবা মতুংদা তমথীবা মীহৎতা অমুক হাৎতোক্তুনা থন্বীরম্বা থৌদোক চহী ১০ ফাৱক্লবা ফাওবদা থৌদৌ অদুগী অচুম্বা ৱায়েল ঙসি ফাওবা ফংহনবীদববু কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়া (মার্ক্সিষ্ট লেনিনিষ্ট)না অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি।

পার্টি অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি এস শ্যামসুন্দরনা প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা মখা তানা হায়, হৌখিবা কুমজা ২০০৪গী জুলাই ১০গী অহিং নোংয়াইদা মনোরমাবু ১৯শুবা অসাম রাইফলসকী কাঙবু অমনা ময়ুমদগী ফাদুনা পুখ্রবা মতুংদা মনাক নকপদা লৈবা মরিং খূল অমগী মনাক্তগী মথং নোং ঙানবদা শিনা ফংখিবনি।

থৌদোক অদুগী অচুম্বা লংলা-লংজিন পুথোক্লবা রিটায়র্দ জজ সি উপেন্দ্রনা লুচিংবা ইনক্বাইরি কম্মিসন্না থিজিনবদা অচুম্বা লংলা-লংজিন কয়া ফংখ্রবসু ঙসি ফাওবদা মণিপুর লৈঙাক্লা অমসুং ইন্দিয়া লৈঙাক্লা থৌশাদনা লৈথোক্লি। অফস্পাবু য়োকখৎতুনা থল্লি হায়রি।

অফস্পাগী মরুমদা মীওইবনা তাবদা তুজুংলবা থৌদোক কয়া ইরমদম অসিদা ঙসি ফাওবদা লেপ্পুনা থোক্লি। অদুবু মরাল লৈবা মীওই কয়াদি লৈঙাক অসিনা য়োকখৎতুনা থম্বগা লোয়ননা ইরমদম অসিগী চৈথেং ফংলবা মীওই কয়াদা অচুম্বা ৱায়েলদি ফংহনবা ঙমদ্রি। অসিগুম্লবা ফীভম অসিদা মীওইবা খুন্নাইনা পাল্লিবদি অফস্পা মালেম অসিদা পুল্লৌ লৌথোক্কদবনি হায়রি।

ঙসি রিমস লম্বীদা লৈবা মার্ক্সিজম লার্নি সেন্টরগী ওফিস্তা পাঙথোকখিবা মীফম অমদা অফস্পাগী মতাংদা কুপ্না খন্নখিবগা লোয়ননা অফস্পাগী ভিক্টিম ওইখ্রবী লৈখিদ্রবী মনোরমাগী মফমদসু মিনিট অনী তুমিন্না লেপ্পুনা ঈকায় খুম্নবা উৎখি হায়রি।

## য়ু এন এল এফকী কাদর মরি ফারে

ইম্ফাল, জুলাই ১১ (ঐচ এন এস)ঃ
ইম্ফাল মোরে লম্বীদা য়ু এন এল এফকী কাদর খরা চথোক চৎশিন তৌরে হায়বা চপ চাবা পাউ অমা ফংবদগী থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট কমান্দোগী য়ুনিট অমদি ২ শুবা অসাম রাইফলস য়াওবা কম্বাইন্দ টিম অমনা ঙরাং ৱাংজিংগী ৱাই কে কোলেজ মনাক্তা অচৎ অওকশিং চেক তৌবদা য়ু এন এল এফকী কাদর মরি ফারে হায়রি।

কম্বাইন্দ ফোর্সনা ফারবা মীওইশিং অদুদি তোকপচিং থোঙাম মোন্দুম মনিংদগী এস এস কোর্পোরেল সগোলশেম হেমন্ত মৈতৈ এলিয়জ ইবোবী (২৭) অপোকপা এস ইবোচা, কৈরাও ময়ায় লৈকায়দগী লুপ অসিগী লেন্স কোর্পোরেল কাঙাবম অমুবা এলিয়জ রামকান্ত এলিয়জ হয়ুম (২৫) অপোকপা মৈনো, টাইগর কেম্পদগী লেন্স কোর্পোরেল সিনাম অবুংথোই এলিয়জ ইরেম্বা অপোকপা এস কোকলাং অমদি সেকমাইজিন কৈথেলদগী লেন্স কোর্পোরেল নোংমাইথেম অবু এলিয়জ তোম্বা এলিয়জ রেনেদী অপোকপা দেবেননি।

মখোয়দা ৱাহং পাউহং চথুবদা মখোয় থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুংদা আই ঈ দি প্লান্ট তৌবা অমদি মীয়ামদগী শেল খায়বা অমসুং খুৎশু খুৎলায় পুথোক-পুশিন তৌবদা চেন্নবা মীওইশিংনি হায়রি।

থৌবাল পুলিস ষ্টেসনদা মখা তাবা ৱাহং পাউহং চথুনবা খুৎশিন্নখ্রে হায়রি।

## মণিপুর লৌমী লুপনা নুমিৎ নীনি চুপ্না লৌফমশিং য়েংশিনখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১১(ঐচ এন এস)ঃ
ষ্টেট অসিগী লৌফম কয়া কংদুনা লৌ পানবা য়াদ্রে অমসুং অপানবা লৌফমশিংসু ফৌথোক লৈররোই। মদুগী মরমদি জুলাই থা তঙ্খায় চল্লক্লবা ফাওবা নোং মতিক চানা তাদবদগীনি হায়না মণিপুর লৌমী লুপনা ফোঙদোরক্লি।

লৌমী লুপকী টিম অমা জেনরেল সেক্রেটরি ঐচ ইবোবী, ৱার্কিং প্রসিদেন্ট এস নিল্লকমল, ফাইনান্স সেক্রেটরি ঐচ সোভাসচন্দ্র অমসুং এক্সিক্যুটিব মেম্বর টি ঐচ নোদিয়াচান্দনা লুচিংদুনা ইম্ফাল ৱেষ্ট, ইম্ফাল ইষ্ট, থৌবাল, বিষ্ণুপুর অমসুং চীংগী দিষ্ট্রিক্ট কয়া য়াওনা ঙরাং তাং ১০ দগী ঙসি ফাওবা কোয়না চৎতুনা য়েংশিনখ্রে হায়না মণিপুর লৌমী লুপকী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

লুপকী টিমনা কোয়না চৎতুনা য়েংশিল্লুবদা লৌকোল কয়া ঈশিং কংদুনা লৌ পানবা য়াদ্রে। অদুগা লৌ পাল্লবা লৌফমশিংসু ঈশিং কংদুনা লৌথোক য়াম্না হন্থরগনি হায়বসি লৌমীশিংনা হায়রকখি হায়রি।

নোং চুরক্তবনা মরম ওইদুনা লৌমীশিংনা মীপায়বা পোক্লরে। মরম অদুনা মণিপুর দিপার্টমেন্টশিংনা ৱার ফুট্টিংদা ঈশিং পম্পনচিংবা খুৎলায় পীদুনা অথুবা মতমদা লৌ পান্নবা হোৎনবীয়ু, পোথোক হেন্না পুথোক্লবা শিনবীয়ু অমসুং মণিপুর শিন্থুংনা ক্রোপ ইন্সুরেন্স স্কিমগী থবক পায়খৎপীয়ু হায়রি।

## ‘য়োং চেন্থোরক্লে হায়রিবদু লৈঙাক্লা থিগৎপীয়ু’

ইম্ফাল, জুলাই ১১(ঐচ এন এস)ঃ
মোংবা হনবা উমংদগী য়োং চেন্থোরক্লে হায়রিবা অসিগী মতাংদা মণিপুর লৈঙাক্লা থিগৎপিরগা অচুম্বা অশেংবা ৱাফম অদু মীয়ামদা খঙহনবীয়ু হায়না লৈপাক কনবা অহল্লুপ (লৈকল্লুপ)না ফোঙদোরক্লি।

লৈকল্লুপকী লুচিংবা নেপ্রম নুংকাংবানা প্রেস্তা থোকপা ৱারোল অমদা মখা তানা হায়, হন্দক পীপল ফোর এনিমেল (পী এফ এ), থৌবালগী থৌমীশিংনা মোংবা হনবা উমংদা চৎতুনা দাইভর্সন থোং শাবগী থবক য়েংশিল্লুবা লোয়ননা মহাবলিগী জে এ সিগী মীওইশিংগা উন্নরুবা তুংদা দাইভর্সন থোং শান্নবগীদমক প্রোটেক্টেদ ফোরেষ্ট এরিয়া ওইরিবা মোংবা হনবা উমংদগী উ পাম্বীশিং য়ান্থৎলে মসিগী ফোটো লৈ হায়বগা লোয়ননা মসিবু য়াম্না কন্না য়ানিংদবগী ৱাফম ফোঙদোরকখি।

অদুবু দাইভর্সন থোং শাননবগী মোংবা হনবা উমংগী উ মৱূ ফুকখ্রে হায়না পী এফ এনা হায়রকপা অমুক থেংনরে। পী এফ এনা হায়রিবা অসি দাইভর্সন থোং সানবা মোংবা হনবা উমংগী উ ময়াম মৱূ ফক্তৎলকপসিনা মোংবা হনবা উমংগী মনুংদা লৈরিবা য়োংশিং কায়দুনা চেন্নরে লোয়ননা উমং অসি লৈবনা ইম্ফালগী ঈশিং নুংশিৎকী ফীভম ফগৎহনবা ঙম্বনি হায়বনচিংবা ৱাফম কয়ামুক থল্লকপসু থেংনরে হায়রি।

পী এফ এনা ফোঙদোরক্লিবা ৱাফমশিংসি মোংবা হনবা উমং অমদি লাইফম কনবা লুপ অমনা ফোঙদোরকখিবদা, দাইভর্সন থোং শাবা অমসুং মসিগী লন্বী শেন্বগী থবক্লা হৌজিক ফাওবদা মোংবা হনবা উমংগী উ পাম্বী অমা ফাওবা য়ান্দ্রি। মতুংদসু য়ানগদবা লৈতে, অহোইননা থোং অমসুং লন্বীসিনা মীয়ামদা হায়নিংঙাই লৈতনা কান্নহনগনি। মরম অসিনা থোং অসি শাবীনবা মণিপুরগী ৱার্ক্স মিনিষ্টরদা তকশিনবগী ৱাফম অমদি মীতৈশিংগী খ্বাইদগী লুবা লাইফম অমা ওইরিবা মোংবা হনবা লাইফমসু উমংসিগী মনুংদা লৈরিবনি, মরমসিনা উমংগী শরুক শোকহন্দনা লাইফমসিসু শেমগৎপগী মথৌ তারি। লোয়ননা উমংসিদগী য়োংশিং চেন্থোরকপসিদি নিংথেম পামহৈবগী য়াথংনা লংমাইচীংদগী য়োং ৫০০ ফারগা থমখিবা হেক তুংদগী ঙসি ফাওবদসু মরক মরক্তা য়োংশিং অদুম চেন্থোরকই। হন্দক্কী তুরেল অচৌবা অনী অমসুং মীয়াম্না পল্লোন খারিবা মফমশিং লান্থোক্তুনা শগোলবন্দনচিংবা মফমশিংদা য়োং চেন্থোরক্লে হায়রিবসি কনাগুম্বনা অতম্নগা ফারগা থাদোক্লম্বা নৎত্রগা ইরোইশেন্বগী জুদগী চেন্থোরকপা ওইরম্বা য়াই হায়না ফোঙদোকখি হায়রি ।

মদুগী হেক মতুংদা পী এফ এ, থৌবালনা ৱাফমশিংসি ফোঙদোরকখিবনি। হন্দক পী এফ এনা ফোঙদোরক্লিবসিদি দাইভর্সন থোং শাবা, লন্বী শেম্বনা মোংবা হনবা উমং লৈররোইদবা লোয়ননা উমংসিগী মনুংদা লৈরিবা য়োংশিং পুন্নমক চেনখ্রগদবা মওংদা য়াম্না কনবা মওংদা ফোঙদোরকপা ৱাফম ওইনা মীয়াম্না উনৈ হায়বা য়াই। অসিগুম্বা ৱাফমশিংসি মোংবা হনবা উমংসিগী উয়াম য়ান্থৎতুনা মোংফম শেমখিবা, পার্কিং শেমখিবা মতমদা করিগুম্বা ৱাফম অমা ফাওবা মখোয়না ফোঙদোরকপা থেংনখিদে। অদুগীসু মথক্তা ইম্ফাল সিটিগী ঈশিং নুংশিৎকী খল অঙকপা ফংনা কায়হল্লিবা লাঙ্গোল রিজার্ভ ফোরেষ্টকী উ য়ান্থৎতুনা য়ুম-কৈ শাজিল্লক্লিবা, ৱাখাগী লৈমচীংগী উ ময়াম অমা মৱূ ফুক্তৎতুনা লৈপাক কোথোরকপা, হৈবোক চীংগী উ ময়াম য়ান্থৎতুনা য়ুম-কৈ শাজিল্লকপা অসিনচিংবদসু পী এফ এনা করিগুম্বা ৱাহৈ অমা ফাওবা হায়রকপা মীয়াম্না থেংনখিদে হায়বা য়াই হায়রি।

অদুগীসু মথক্তা মণিপুরগী লৈরিবা চীংজাউশিং মরু কোকশিল্লকপা, খর নকপদা ৱাইথৌ চীং, ফুনাল চীং, চীংফু চীংনচিংবদগী মশীং খঙদবা উ য়ান্থৎলে হায়না মীয়াম্না লাউনরকপা অদুগী মথক্তা উ পাম্বী লাক্ষনা খুজিং ওইদুনা য়ান্থৎকদবা লোয়ননা উমংদুদা শৈদাংজরিবা শা উচেক লাক্ষনা খুজিং ওইদুনা লৈফম লৈহল্লোইদবা টিপাইমুখ দাম শাবগী ময়োক্তা হন্দক্কী মোংবা হনবগী মতাংদা লেপ্লিবা অসুম্না পী এফ এনা লেপখিবা মীয়াম্না থেংনখিদ্রি হায়বা য়াই হায়রি।

মরম ময়াম অসি য়েংলুরগা হন্দক মোংবা হনবগী খা থংবদা দাইভর্সন থোং শাবা, লন্বী শেম্বগী মায়োক্তা পী এফ এনা মহাবলি জে এ সিগী মীচংদা য়াম্না কন্না লেপ্পা মানবা থৌওং ওইনা চঙশিল্লক্লিবা খোঙজংসিগী মরুমদা অতোপ্পা করম্বা ৱাখল্লোল লৈবগে হায়বসি মীয়াম্না চিংনদবা ঙমশিল্লক্ত্রে হায়বা য়াই হায়রি।

মীয়ামগী চিংনবা অসি কোক্লবা মোংবহনবা উমংদগী য়োং করম্না চেন্থোরকপনো, য়োং মশীং কয়া চেন্থোরকপগে, মফম কদায় কদায়দা য়োংশিং চেন্থোরকপগে, দাইভর্সন থোং শাবা, মসিগী লন্বী শেম্বগী থবক্লা উ কয়া য়াম্না মৱূ ফুকখ্রবগে, দাইভর্সন থোং শাবা অমসুং লন্বী শেম্বগী থবক্তা মোংবা হনবা উমংগী উ কয়া য়ান্থৎকদগে অমসুং দাইভর্সন থোং শাবা অমদি লন্বী শেম্বনা মোংবা হনবা উমংগী শরুক কয়া য়াম্না শোক্কদগে হায়রিবা ৱাফম অসি লৈঙাক্লা থিগৎপীয়ু হায়রি।


লায়েংজরি DUTTA CLINIC লায়েংজরি

অঙৌবা পকপা, তাং-তাং চিকপা, নুপাগী প্রোব্লেম, নুপীগী প্রোব্লেম, নুংশং অমসুং গ্যাস্ট্রিক, ডাইবেটিস, নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম অমসুং য়ু করম্না থাদোক্কনি



**অঙৌবা পকপা :**
অঙৌবা পকপশিংনা থোইনা ৱানিংঙাই লৈত্রে। মতম চানা লায়েংলবদি অতৈ অনাবাগুম ফহনবা ঙম্মী। অঙৌবা পকপশিংদুখক অফবা মখলগী হিদাকশিং শিজিন্নদুনা অনাবা মীওইশিং কয়া ফহনবা ঙমখ্রে। অমুক্তং লাকপীদুনা অদোমগী অনাবসু পুংফা ফহনবীয়ু।

**তাং-তাং চিকপা :**
তাং তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ খুৎ শিথুবা, মশল নাবা, থবাক নাবা, মীহুন কাহেন্না চোংবা, থবাক খেবা অসিনচিংবশিং অসি ঐখোয়গী হিদাক্লা পুংফা ফহনবা ঙম্মী।

**নুপাগী প্রোব্লেম :**
ফম্বী পাবা, ফম্বী থুনা চৎকনবা, অহিংদা কাছা চৎপা অমদি মপান থোকপা নত্রগা অমাংবদা কাছা লোয়নবা তারবদি ঐখোয়গী হিদাক অসি শিজিন্নবনা ফিনুংদা হাকৎচবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোন্থরকপা ফহনবা ঙম্মী। সোনোরিয়া, সাইফিলস ইনফর্টিসিটি হায়রিবা লায়নাশিং অসি পুংফা ফহনবা ঙম্মী। মাংলুরবা পুন্সিগী মহাও হনগৎহল্লকপা ঙম্বা অমদি শোন্থরুরবা ইন্দ্রিগী শক্তিবু অমুক হনগৎহনবা ঙল্লবা পুন্সি শাংদোকহল্লগা মেন পৱার অদোমগীদমক লৈজরে। মমল লুপা ৪৫০।

**নুপীগী প্রোব্লেম :**
ফিঙৌ চৎপা থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা, মনম নমথিবা, ফিনুংদা হাকৎচবা অসি পুংফা ফহনবা ঙম্মী অমদি ব্রেষ্ট চোম্থবানচিংবা অসি ক্রিম অমদি হিদাক শিজিন্নদুনা ফজহনবা ঙমহল্লি।

**নুংশং অমসুং গ্যাস্ট্রিক্কী :**
নুংশং ই তাবা, চাথৎপা, পোম্বা, হাকৎচবা, নুংশং কল্লাই অসিনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেসন তৌদনা হিদাক শিজিন্নরগা পুংফা ফহনবা ঙম্মী।
পুক নুংশিৎ কাবা, চাবা থকপা তুমদবা, চানিং থক্লিংবা পোক্তবা, পুক নাবা, খোং হাম্বা নুংঙাইতবা অসিগীদমকসু ঐখোয়গী হিদাক্লা অথুবা মতমদা ফহনবা ঙম্মী।

**ডাইবেটিস :**
ঐখোয়গী হিদাকশিং অসি শিজিন্নরবদি ডাইবেটিসকী চাং নোংমা নোংমগী হন্থহনবা ঙম্মী অমসুং সেক্স পৱার হেঙ্গৎহল্লি। অদুগা মাংলুরবা পাঙ্গল নৌহৌননা ফংবা ঙমহল্লি।

**নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম :**
না তাবা ৱাৎপা, নাকোং ঙংদুনা লৈবা হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হন্থরকপা অমদি নাতোন ফুনবা নপ মহি তাবা, হাকথি তোয়না খনবা, স্বর হোনবা ৱাবা হায়রিবশিং অসি ঐখোয়গী মেদিসিননা ফহনবা ঙল্লে।
অদুগা শম কেনবা, পোক হৌবা, শমজাবী অমদি চহীগা চান্নদনা পোক হৌবা, কোক শাবা হাকৎচবা অসিগীদমকসু অথুবা মতমদা তান্নবীদুনা অদোমগী অৱাবা অদু কোক্কনি।

**য়ু করম্না থাদোক্কনি :**
য়ুদা লায়চুদুনা লৈরবা মীওইশিংদা মশা খংহন্দনা ঐখোয়গী হিদাক অসি পীজবা তারবদি অদোমগী ইমুং মনুং হরাও-নুংঙাইবা হায়বদো হঞ্জিল্লকনি। মহাক শোয়দনা য়ু থাদোক্কনি।

DUTTA CLINIC (Regd. No. 55503)
Khoyathong Christian Literature House Building
Thangal Bazar Road Khoyathong, Imphal

HL-B/1040/1July-31July


## HUEIYEN SUDOKU

**Hueiyen Sudoku-1279**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | 5 | 6 | 9 | | | | | |
| 4 | | | | 1 | | | | 5 |
| | | | | 2 | | | | 1 |
| 6 | | 5 | | | 7 | | 3 | |
| 7 | 3 | | | | | | 2 | 8 |
| | 1 | | 3 | | | 7 | | 6 |
| 5 | | | | 4 | | | | |
| 8 | | | | 7 | | | | 2 |
| | | | | | 2 | 4 | 9 | |

**Solution-1278**

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers from 1 through 9

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 6 | 5 | 1 | 2 | 7 | 3 | 4 | 8 | 9 |
| 2 | 8 | 3 | 4 | 9 | 6 | 7 | 1 | 5 |
| 4 | 7 | 9 | 8 | 1 | 5 | 2 | 6 | 3 |
| 1 | 3 | 4 | 9 | 5 | 8 | 6 | 2 | 7 |
| 7 | 9 | 6 | 1 | 3 | 2 | 5 | 4 | 8 |
| 5 | 2 | 8 | 6 | 4 | 7 | 3 | 9 | 1 |
| 3 | 4 | 2 | 7 | 8 | 9 | 1 | 5 | 6 |
| 8 | 6 | 5 | 3 | 2 | 1 | 9 | 7 | 4 |
| 9 | 1 | 7 | 5 | 6 | 4 | 8 | 3 | 2 |

## CROSSWORD-1466

Find the words in the grid. When you are done, the unused letters in the grid will spell out a hidden message. Pick them out from left to right, top line to bottom line. Words can go horizontally, vertically and diagonally in all eight directions.

| | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| I | Y | P | A | C | K | P | A | C | K | I | N | G |
| F | L | E | V | A | R | T | L | A | C | L | O | L |
| V | I | G | L | A | D | I | O | L | U | S | E | N |
| I | M | D | A | N | M | T | C | U | S | G | U | O |
| R | A | S | U | B | O | G | A | T | U | F | O | I |
| G | F | F | I | D | L | B | N | L | N | O | G | T |
| O | W | N | I | S | O | A | O | I | S | H | N | A |
| O | G | R | T | A | J | U | E | T | H | L | I | C |
| Y | E | I | T | T | F | O | I | S | I | S | K | A |
| P | R | I | E | T | E | L | N | U | N | L | I | V |
| S | N | Y | N | N | E | P | G | G | E | A | H | F |
| G | G | N | I | P | M | A | C | U | W | I | N | T |
| E | R | H | A | R | D | A | N | A | D | D | R | Y |

August, Boating, Camping, Canoeing, Climbing, Family, Fishing, Fun, Gladiolus
Hiking, Leo, Packpacking, Penny, Peridot, Sunshine, Travel, Vacation, Virgo

**Solution 1465**

| | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| H | O | Y | C | I | N | C | I | P | T | F |
| V | Y | L | B | O | A | T | I | N | G | I |
| A | A | U | J | T | U | L | Y | B | E | R |
| C | D | J | R | I | R | F | N | R | G | E |
| A | I | H | S | C | O | A | I | O | R | W |
| T | L | O | I | U | Y | F | V | E | L | O |
| I | O | I | R | K | N | L | M | E | N | R |
| O | H | T | G | O | I | M | I | S | L | K |
| N | H | H | B | O | U | N | W | M | E | S |
| R | S | H | G | S | D | N | G | N | A | L |
| D | T | C | A | M | P | I | N | G | R | F |

SOLUTION ON NEXT ISSUE